হুরানবা ১ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল কমান্দোগী টিম অমনা ঙসি অয়ুক রোয়েল ইনফিল্ড ৩৫০ হুরান্দুনা পুরকপা নুপা অমা লিলোংদগী ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়, থৌবাল কৈথেল মনাক্তগী রোয়েল ইনফিল্ড ৩৫০ অমা হুরান্দুনা পুখ্রে হায়বা চপচাবা পাউ অমা ফংবদগী থৌবাল কমান্দোগী টিমনা লিলোং এরিয়াদা থী-হুন্সগী থবক চৎথখি। থী-হুন্সগী থবক অদুদা থৌবাল কমান্দোগী কাংবুনা লিলোং আই টি আইদগী নহা অমা হুরান্দুনা পুরকপা রোয়েল ইনফিল্ড ৩৫০গা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা নুপা অদুগী মমিং এম দি ফারুক (২০) অপোকপা এমদি খৈরুদ্দিন কৌই। মহাক ক্যামগৈ ওইনাম লৌকোলদা লৈবনি। মীওই অদু মখা তানা লোগী ওইবা অকন্নবা থবক লৌখৎনবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

য়াম্লবা দল্লিয়ু ৰাই টেব্লেট ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তাবা অদুৰাইদা ৪৩ অসাম রাইফল্স মোরেনা ইন্দো ম্যেনমার বোর্দর ময়াদা লৈবা হাওলেনফাই ভিলেজ ময়াদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকপা মীওই অমা চেক তৌবদা পেকেট ৬৫০ রোমদা হাপ্লম্বা দল্লিয়ু ৰাই তেব্লেটস ১,৩০,০০০ রোম য়াওরম্বদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। দল্লিয়ু ৰাইগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুদি তেংনৌপল বাজারদগী মঙনিও ৰাইফৈ (২৪) অপোকপা কৈলনহা ৰাইফৈ কৌই। ফারবা মীওই অমদি পোৎলমশিং অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা অদুৰাইদা মখা তাবা লোগী থবক লৌখৎনবা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

GAS NEWS

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking upto : 14/08/2020
Valid from : 06/08/2020
Home delivery only,
Cont. Timing - 9 am to 11 am.
Cont. No. 9862312969,
8414929709,
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790,
9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00 AM TO 12:00 NOON
Booking upto : 15/08/2020
Valid from : 06/08/2020
FOR ALL THANGMEIBAND,
LAMPHEL 8131852580,
9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI,
KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI,
KWAKEITHEL, GHARI,
SANGAIPROU, CHANGANGEI,
MALOM
7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI,
KAKWA, HEIRANGOITHONG,
HAOBAM MARAK, PISHUM,
MONGSANGEI, LANGTHABAL
6009689299
SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM,
SAGOLTONGBA, LANGJING,
SALAM
7627968997
LANGOL - 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG,
AKHAM, MAYANG LANGJING
7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA
7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA
9612009063, 9862792731,
7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

LEIBAKLEI GAS KAKCHING
Booking upto : 22/08/2020
Valid from : 10/08/2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY CONT
CALL TIME : 7:00am to10:00am
9862836403. 8415050488.
9862283423

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 20/08/2020
Valid from : 05/08/2020
Stock : 312
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12
Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and
7629947187 for Refill Order and Enquiry

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 26/08/2020,
VALID FROM:
21/08/2020, STOCK= 306,
(HOME DELIVERY SERVICE),-
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG
A/C). 2.AJAY--7005667570
(THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO.
7085972248. TIMING- 8.00 am
to12.00 Noon.

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 03/09/20
VALID FROM 28/08//20
19kg AVAILABLE
TIMING 08.00 to 10.00am
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964837 &
7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
BOOKING CONTACT
TIMING 09.00 to 11.00 am

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking upto : 30/09/2020
Valid from : 01/ 09/2020
Stk. 306
(CallTime 08 am to 12 Noon)
Home delivery only
93663 51735, 7005633725
7005022459

ডা. নিমাইচান্দ লুৰাং ভর্সস এক্স-এম এল এ শ্যামকুমার

ওক্টোবর ১৬ ফাওবগী মনুংদা রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং পীশিন্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দরদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা খোঙজেল য়াঙনা চথুরক্লিবা ৰায়েলগী শরুক অমা ওইনা ডা. নিমাইচান্দ লুৰাংনা এক্স-এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী রিটন আর্গ্যুমেন্টশিং নাকল অনীমক্তগী কোর্ট অসিদা থা অসিগী ১৬ (ইরাই নুমীৎ) ফাওবগী মনুংদা সবমিসন তৌনগদৌরি।

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এসিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা ডা. নহাকপম নিমাইচান্দ লুৰাংনা মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা এক্স-এম এল এ অসিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ৪ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি এক্স-এম এল এ অসিগা অতোপ্পা মীওই অমগবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসিদা কোর্টতা ৰাকৎলিবনা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা অন্দ্রো এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখ্রগা হৌজিক্কা এক্স-এম এল এ ওইরবা টি ঐচ শ্যামকুমারনা মহাক্কী মীরেপ ওইবগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবদা মহাক্কী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা ক্রিমিনেল কেস অমগী মতাংদা লোৎশিন্দুনা থমখি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবনি।

মরম অসিনা এক্স-এম এল এবু রিটর্ন কেন্দিদেট ওইনা দিক্লার তৌখিবা অদু চৎনহনফম থোক্তে। মহাক্কী মথক্তা এক্স-এম এল এগা লম্বা তৌনখিবদা অনীশুবা ভোট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংখিবা পিটিস্নরবু অন্দ্রো এ সীগী ইলেক্টেদ কেন্দিদেট অমনি হায়দুনা লাউথোকহনবীয়ু হায়বসিনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থেংখাং ৫৫ রক্তা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখ্রবসু দিস্পোজ তৌবীদ্রে হায়দুনা পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৰাংনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা ৰাকৎখিবসু লৈখ্রবনি। পিটিসন অসিগী জজমেন্টতা এপেক্স কোর্ট অসিনা ইলেক্সন পিটিসন অসি থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌননবা হায় কোর্টতা ওর্দর পীরকখ্রবনি। ওর্দরসিদগী হায় কোর্টনা কেস অসিগী ৰায়েল খোঙজেল য়াঙনা চথুরকপদগী হৌজিক মেটর অসি বেঞ্চ অসিগী 'পার্ট হর্দ'গী ষ্টেজদা য়ৌরক্লবনি।

লোয়ননা মেটর অসি ঙসিসু বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৭ তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌখি। লোয়ননা কোর্টনা পিটিস্নর অমসুং রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংদা মখোয়-মখোয়গী অইবা আর্গ্যুমেন্টশিং লাক্লিবা ইরাই নুমীৎ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখিবনি হায়রি।

জোটিন ৰাইখোমগী ইলেক্সন পিটিসন

এম এল এ জয়কিষননা এদিসনেল ইস্যু শেম্বীয়ু হায়বগী প্রেয়র কোর্টনা য়াখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস টিকেটতা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীদগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা খুমুকচম জয়কিষনগী মায়োক্তা মীখল অসিদা মহাক্তা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ জোটিন ৰাইখোমনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগা মরী লৈননা এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষননা এদিসনেল ইস্যু শেম্বীনবা হায়জরকখিবা ৰাফম হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে।

পিটিস্নর জোটিন ৰাইখোমগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর- ৮ ওফ ২০১৭নি। মসিগী রেস্পোন্দেন্টনা এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষন অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনি। পিটিসন অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১দা লিষ্ট তৌখি। কোর্ট অসিদা লিশাং-শীৎনা চথুরক্লিবা কেস অসিগী মখা তাবা ৰায়েলগী শরুক পায়খৎনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক ইলেক্সন পিটিসন অসিগী মপূং ওইবা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী ইলেক্সন পিটিসন হান্ননা কোর্টনা অরোইবা ৰায়েলগীদমক শেমখ্রবা নাকল অনীগী ইস্যুশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা এদিসনেল ইস্যু অমা শেম্বীয়ু হায়দুনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর-১৭ ওফ ২০১৭সু ঙসিগী বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌবদগী কোর্টনা ৰাফমসি হান্না লৌখৎখি।

লোয়ননা কোর্টনা পার্টিশিংগী কাউন্সেলশিংগী ৰাফমশিং তারগা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী প্রেয়র তৌরক্লিবা ৰাফম অসিদা অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী ৰায়েলগী অনৌবা অকক্লবা ইস্যু অসিগী মতাংদা মখা তানা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৰাফমশিং কোর্টনা তাখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মেটর অসিগী ৰায়েলগীদমক কোর্টনা মাংজৌননা শেমখ্রবা ইস্যুশিং অদুগা মরী লৈননা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা জোটিন ৰাইখোমবু কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৰিটনেস (পি দল্লিয়ু) অমা ওইনা কোর্টনা দিপোজিসন তৌনবগী মতম লেপ্তুনা লৈরিবনি।

আই এ এস, এম সী এস, এম এফ এস, এম এস এস ওফিসর খরগী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) পি ঐচ ভবানন্দ শর্ম্মানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা আই এ এস, এম সী এস, এম এস এস অমসুং এম এফ এস ওফিসর খরগী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না আই এ এস ওফিসরশিংগী মরক্তা হাওলিয়ানলাল গুইটেনা আর দি এন্দ পি আর, প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেসনরি অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী এদিসনেল সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা মণিপুর লোক অয়ুক্তাগী সেক্রেটরি ওইনা, কেংঙু জুরিংলানা কো-ওপরেটিভ সোসাইটিসকী রেজিষ্ট্রার ওইনা, ডা. রঙ্গিতাবালি ৰাইখোম্না এদ্যুকেসন য়ুগী দাইরেক্টর ওইনা অমসুং অরাম্বম ভেলেন্টিনানা ককচিংগী দেপ্যুটি কম্মিসনর ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

এম সী এস ওফিসরশিংগী মরক্তা টি ফুলেন মৈতৈনা এস এস এগী এ পি এস বি অমসুং এদ্যুকেসন (এস)কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ওইবগী মথক্তা য়ুঠ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী লুক অপটর দাইরেক্টর ওইনা, এস খায়হোপাও ঙাইটেনা লানভাগী বি দি ও ওইনা থৌ পুরগনি। এম এস এস ওফিসর মাইস্নাম চীংলেন্বী লুৰাংনা ট্রান্সপোর্ট অমসুং লেবর এন্দ এমপ্লোয়মেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা অমসুং এল থোংখোমাং খোংসাইনা ফিসরিজগী অন্দর সেক্রেটরি ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি। অদুগা এম এফ এস ওফিসর ঐচ টি লালচনহিমিনা চুড়াচান্দপুরগী এ টি ও ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়রি।

লুপা ক্রোর ১৫১ মণিপুরদা ...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং উত্তরখন্দনি। হৌজিক ফাওবা ষ্টেট ৮না অপান্বা ওপসন অমত্তা খনবা লৈত্রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিনা শেল-থুমগী অৰাবা মায়োক্লরিবা ষ্টেটশিংগী খূদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্লগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ এক্সপেন্দিচরগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মে ১৭তা দিপার্টমেন্ট অসিনা ষ্টেটশিংদা অহেনবা শেনফম ওইনা জি এস দি পিগী চাদা ২ পূনবগী অয়াবা পীখিবনি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা পুং ২৪গী ...

লামায় ১গী মখা... কেস ২৮৬৭না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫১৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৫১ য়াওরি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৪সু লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীং ৯৭শুরে। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্ত্না মীওই ১২২সু দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আর কে সী এসকী ৯৬ শুবা মপোক কুমওন ...

লামায় ১গী মখা... মেম্বরশিং অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লময়ানবা লাইয়েকপা অসিগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী চ্যেরমেন য়ুম্নাম নবচন্দ্রনা আর কে সী এসকী মতিক ময়াইশিং নৌহৌননা শীংথাখি।

থৌরমদুনা রা ঙাঙখিবশিংগী মনুংদা বি বিসন্তর শর্ম্মা, থিয়াম দেবেন্দ্র, ওইনাম টিজেন, সেমসন মীতৈ, ওজা হেরামনিনচিংবনা আর কে সী এসকী মরমদা শুগায়বা ৰারোল কয়াসু থম্বীখিবনা থৌরম অদু মপুং ফাবা ওইহনখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এক্স-এম এল এ সুরচন্দ্রনা...

*লামায় ১গী মখা...*ওর্দরদি রিজর্ভ তৌদুনা থমজিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নর এম রামেশ্বরনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা মসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এক্স-এম এল এ অসিনা তোঙান-তোঙানবা মিসেলিনস কেস অনী নম্বর ৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৮ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকপসু লৈরিবনি। হায়রিবা এম সী অনীসিসু ঙসি বেঞ্চ অসিদা পূন্না লিষ্ট তৌখিবনি।

জোয় রেমৈনা হৈজুগা থুগায়নবা...

লামায় ১গী মখা... করম্না হৈজুগা অসি অরায়বা মওংদা থুগায়দুনা মনুংদা য়াওরিবা চাননবা পোৎশক অসিসু কায়দনবা খল্লকপদগী হায়রিবা হৈজুগা থুগায়নবগী য়াম্না চম্বা ক্বা চপনবা মানবা মীয়াম্না ক্বাজপ হায়নসু খঙনবা পোৎশক অদুগা হায়ফেৎ মান্নবা খূৎলায় অসি পুথোকপনি হায়না ফোঙদোরখি।

এম সী এস সী সী ম্যেন এগজামিনেসন ...

লামায় ১গী মখা... মথক্তা ফাইল তৌরকপা নম্বর-৮ ওফ ২০২০, মসিগা মরী লৈনবা গ্লোরি চিংথিয়নকিম এস পিগী এম সী (রিভিয়ু পিটিসন) নম্বর- ৬ ওফ ২০২০, য়েংখোম জিবন অমসুং কাঙবুগী অহুমশুবা রিভিয়ু পিটিসন- ৯ ওফ২০২০, ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী য়ুমলেম্বম সুরজিৎ অমসুং মীওই ১০১গী মথক্তা ফাইল তৌবা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর- ১০ ওফ ২০২০, মসিগা লোয়ননা য়েংখোম জিবনগী এম সী (রিভিয়ু পিটিসন) নম্বর- ১৫ ওফ ২০২০ অমসুং এপ্লিকান্ট অসিগী মরিশুবা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর- ১২ ওফ ২০২০নি।

অপূনবা রিভিয়ু পিটিসন ১০ সিগী মনুংদা ৫না ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী হায় কোর্টনা এগজামিনেসন অদুবু ককৎথখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপনি। অদুগা লেমহৌরিবা পিটিসন ৫না এগজামিনেসন অদুদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবনি।

অপূনবা রিভিয়ু পিটিসনশিং অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা পূল্লপ লিষ্ট তৌখি। রিভিয়ু পিটিসন ১০ অমসুং মসিগা লোয়ননা মিসেলিনস কেস অহুমসি কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১ দগী ১৩ ফাওবদা লিষ্ট তৌবদগী কোর্টনা লৌখৎখি।

মেটরশিং অসি লৌখৎলকপদা রিভিয়ু পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা সবষ্টিট্যুট সর্ভিসকী খূথাংদা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিং চৎলিবা থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা পাউচে অনীদা ফোঙখ্রে হায়বা ৰাফমশিং মরী লৈনবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লখি।

লোয়ননা য়ৌরক্লিবা মেটরশিং অসিগী এদমিসনগী ষ্টেজ অসিদগী কোর্টনা পিটিসনশিং অসিগা মরী-লৈনবশিংদগী রিজোইন্দর/কাউন্টর এফিদেবিটশিং সবমিট তৌরক্লবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা পিটিসনশিং অসিগী হিয়রিং থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্লবা লেপখি।

ফি শারগা য়োনফম লৈতবগী অৰাবা...

লামায় ১গী মখা... লুপা লিশিং ২/২ তোংই হায়রি।

অদুবু হৌজিক্তি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা হেন্দলুমগী ফি শাবীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরক্লে। ফি শানবা লংগী মমলসু কা-হেন্না ৰাংখৎলক্লে। অপান্বা লংসু চাং নাইনা ফংদ্রে। ফি শাবীশিংনা অয়ুক, নুংথিল অমদি নুমিদাং খাক্তনা ৰানা হোৎনরগা শাবা ফিশিং য়োনফম লৈতবগী অৰাবা মায়োক্লরি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা মীয়াম পূনবা য়াহন্দবনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অহুম ঙসি ফাওবা হাংদোকপীদবা মরম্না থবক শূরগা চাজবা নুপীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। য়োংখমদা নুমীৎ খূদিংগী শারিবা তোঙান-তোঙানবা ফিশিং অদু কৈথেলদা পুরগা য়োল্লবা মতুংদা মদুদগী ফংলকপা শেলনা অমুক লং লৌথরগা ফি শাগদবনি। লৈকাইদা ফি খরা-খরা য়োনবা নৎতনা ফি অয়ান্বা য়োনবা ঙমদনা লৈরি।

মণিপুরদা খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা নকশিল্লকপসি হেন্দলুমগী ফি য়াম্না য়োনবা নুংঙাইবা মতমনি। অদুবু তমথীরবা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হেন্দলুমগী ফি য়াম্না পুথোক্তদবা মতমসিদা থবক নীংথিনা পায়খৎপা ঙমদ্রে। থা মখায় অমদা ফি শাবীশিংনা ইয়োংগী ফি শাবা লোইশিনবা ঙম্মী। থা অমদনা ইয়োংগী ফি অনীরক হৌদুনা ফি শাবীশিংনা য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং ৬/৭ রোম তানবা ঙম্মী। অদুগা ৰাঙ্খৈ ফি অমসুং রানী ফি শাবশিংদি থা অমদা লুপা লিশিং ৮দগীনা লুপা লিশিং ১০ ফাওবা তানবা ঙম্মী হায়রি। ৰাঙ্খৈ ফি অমসুং রানী ফিদি ময়েক য়াম্না থোকপা ফি ওইবনা থা অমদা ফি য়াম্না শাবা ঙমদে।

শখিতোম্বীনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী ইমুং অমমম্দা চাংচৎতা নূপী ২/৩দি লৈ। লৈঙাক্লা ইমুং অমমম্দা য়োংখমগী কোন অমমম্ লেম্না পীবীরবদি ফিশাবীশিংগী মতেং ওইনগনি। ফি শানবা লং অসিসু মমল খরা হোংনা ফংহন্নবা হোৎনহন্নিংই। মণিপুরদা পাৰরলুম লাকপদগী হেন্দলুমগী ফীভম খরা শোকচিল্লক্লে হায়রি।

অতোপ্পা ফিশাবী বিলাশিনী কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ফি শাবীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি। ফি শারগা য়োনফম লৈতে, চৎথোক-চৎশিনসু য়াদ্রে, লং য়োনফম দুকান হাংদে, মথৌ তাবা লংসু ফংদে। ফি য়াম্না শারগসু য়োনফম লৈতবগী অৰাবা মায়োক্লরি। ফি শাবীশিংগী ওইনা খ্বাইদগী নুংঙাইবা মতম অসি অয়ুক অমদি নুমিদাংগী মতমনি। খ্বাইদগী হরাওবা মতম্না লং তৎতনা ফি য়াম্না শাবা ঙম্বা অসিনি হায়রি।

‘শ্রী শ্রীগোবিন্দজী ব্রহ্ম সভানা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা মমাংঙৈদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবা মতম-মতমগী কুমৈ ফিয়োং, লাইনিং-লাইশোনগী থবান-তারিখনচিংবা লেপ্পগী থবক অসি মণিপুরগী শ্রী শ্রীগোবিন্দজীদা লৈরিবা ব্রহ্ম সভানা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়না শ্রী শ্রীগোবিন্দজী টেম্পল ইম্ফালগী ব্রহ্ম সভাগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়চন্দ্র শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী দি আই পি আর লোইশঙনা ফোঙলিবা চহী-চহীগী কেলেন্দর অসিসু পাঞ্জি শঙলাকপনা পীখৎলগা ব্রহ্ম সভানা পীবা দেতাদা য়ুন্ফম ওইরগা ফোংবনি। হায়রিবা ব্রহ্ম সভাগী দেতা অসি ৰেষ্ট বেঙ্গলদা ফোংবা " পি এম বাক্সি পঞ্জিকা" কৌবা খুৎপায় অসিদগীনি। হায়রিবা খুৎপায় চন্দ্রকির্তি সনা হাক্ততগী লমদম অসিদা ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। মরম অদুনা কুমসি চহীগী ওইনসু হায়রিবা খুৎপায় অসিগী মতুং ইন্না দুর্গা পুজানা ওক্টোবর ১৭, গোবর্ধন পুজানা নবেম্বর ১৬ অমদি নিংঙোল চাক্কৌবনা নবেম্বর ১৭তা তারে হায়না ব্রহ্ম সভাগী জেনরেল সেক্রেটরি জয়চন্দ্র শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেল্থ প্রোগ্রাম, থৌবাল অমসুং য়ুঠ ভলন্টিয়রস এসোসিএসন (ৰাই ভি এ) ৰাংজিংনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে ২০২০গী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নাসা মুক্তা ভারত কেম্প্যেন কম্মিটিনসু নাসা মুক্তা ভারত কেম্প্যেনগী এৱেরনেস পীখ্রে।

ৰাংজিংদা লৈবা আই আর ঈ কোলেজ ওফ টিচর এদ্যুকেসনগী কমপ্লেক্সতা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. এন জয়ন্তকুমার, দল্লিয়ু এল এম সীগী ভাইস চেরপর্সন অমসুং ৰাই ভি এ ৰাংজিংগী এদভাইজর নারেংবম বিনোই, এন এম ঐচ পি মণিপুরগী ষ্টেট নোদল ওফিসর ডা. এ রানিতা, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর থৌবাল অরাম্বম কামেশ্বর, দি ঐচ এস থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সী ঐচ বসন্তনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রেসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মীওই ৬৫৪ ফ্লাইটতা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী ৰাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৫৪ রোম ঙসি ফ্লাইট তরেৎতা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৩ রোম (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইটতা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ই-৪৫৭ অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৭ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৪ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৭১৩ অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.১০ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৫ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৮৮৯) অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫৮ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪৬ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরুকশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৩ আই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৭ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। তরেৎশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই২০১) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩৫ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০১ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

এম পি এস টি এগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ (ঐচ এন এস) : চৎলিবা থা অসিগী ৫দা শেমখিবা মণিপুর প্রাইভেট স্কুল টিচর এসোসিয়সন (এম পি এস টি এ) হায়না মিংথোনবা এসোসিয়সন অসিগী প্রসিদেন্টগী থৌ পুদুনা লাকখিবা নিংথৌজম সরত প্রসিদেন্ট ওইবদগী তোক্লে হায়না মীদিয়াগী থোংদা ফোঙদোরক্লি।

ন্যু ইরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর ওইরিবা নিংথৌজম সরতনা ফোঙদোরকপদা মহাক মশাগী ওইবা খুদোংচাদবা মরম খরা লৈবনা ঙসিদগী এসোসিয়সন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইবদগী পোৎথানবগী ফীরেপ অসি লৌখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ফিঙাং লান্মী লিংখৎখিবগী ৪৪শুবা...

ঙরাংগী মখা...

মখা তারকপদা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিগী ওবজেক্টিভ রিজোলুসন ১৯৪৬তা লৌখিবা 'নিংখা তম্লবা রিপলিক ইন্দিয়াদা য়াওগদবা ষ্টেটশিংদা মশানা মরোমদোম লৈঙাকচবা 'ওটোনোমি' লৈহনগনি' হায়বা ৰাফম অসিনা অমুক হেন্না পোলিটিকেল পৱার পায়নীংবনা ঙাওরবা মখোয় খরদা অকনবা ইথিল পীরকখি। নেহরুগী ইন্দিয়া অদুদা তিল্লদি কংংলৈপাকসু চাওখৎপা লৈবাক ওল্লনি হায়না খঞ্জখিবা কাঙবুশিংদু চহী খরগী মতুংদদি নীংঙমদবা ফাওরকখি। মসিগা চপ মান্ননা গান্ধী-নেহরুগী ইন্দিয়াদা থাজখিবা কাশ্মীরি লুচিংবশিংগী মচা মশু অমদি কাশ্মীরি মীয়াম্না ঙসিদি ইন্দিয়াগী অশেংবা শক্তমদু খঙলদুনা মখোয়গী ৰাখলদা ইন্দিয়া ওইনা ফাওদ্রে, চাইনারোমদা নকশিনবা পাল্লে হয়না ফোঙদোকপা হৌরক্লি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ফিবালনুংদা য়াওগদবনি হায়না অকনবা ঈহৌ শাগৎখিবা মতম অমগী মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেস কম্মিটি (এম এস সী সী) না ১৯৬০দা হোম মিনিষ্টর জি পি পান্টদা পীখিবা লেট্টরদা মণিপুরগী ফংফম থোকপা পোলিটিকেল ষ্টেটস ফংহন্দ্রবদি মণিপুরী মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ভাইওলেন্সকী পাম্বৈ শীজিন্নরিবা কাঙবুদনা হেন্না লূম্না লৌরে হায়না খল্লনি, অদুগুম্বা পাম্বৈ অদু পামজদ্রসু মীয়ামদা নমদুনা পামহল্লনি হায়না লেট্টর অদুনা ফোঙদোকখি হায়রি। মখা তানা এম এস সী সীদগী শাইওন লাকপা মণিপুর টেরিটোরিএল কোংগ্রেস কম্মিটি (এম টি সী সী) না ১৯৬৮দা প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী অমদি আই এন সীগী প্রসিদেন্ট নিজালিঙাপ্পাদা ষ্টেটহুদ দিমান্দগী মেমোরেন্দমদা ইখিবা ৰাফমশিংদি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী শাংলবা হিষ্ট্রিবু ইকায়খুম্নদনা ষ্টেটহুদ পীদখৈ চহী শাংনা নমশিল্লগা থম্লক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী অচৌবা পোলিটিকেল রিভোল্যুসন অমা থোক্লকপা য়াবগী তাঙ্কক য়ৌরে হায়না লেট্টর অদুদা ইখি। ৰাফমশিংসি মুন্না খল্লদি ঙসি খূৎলায় পায়রগা পোলিটিকেলগী ঈহৌ তৌরিবসি কনানা করি মরমদগী তৌরিবনো হায়বদু খঙফম থোকপনি।
মথং মথং ...

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন...

ঙরাংগী মখা...

এম কে গান্ধী, জয় প্রকাশ নরায়ন অমসুং মহম্মদ অলি জিন্নাহনা য়াখিদ্রবা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন অসিনা, হিন্দুষ্টানি মশামক্কী শেল-থুমগী নীংতম্বা, ফুরুপচাগী নেসনল রাইট খক পীদ্রবা, লৌমী শিন্মীগী মৱা তাদনা লৌয়াম চাবশিংগী ইন্টরেষ্টতা শেমখিবা কনষ্টিট্যুসন অসিদা মীয়ামগী অপান্বা ফোঙদোক্তে। কুমজা ১৯৭৭ গী সোভিয়েটকী ড্রাফ্ট কনষ্টিট্যুসন অদু মীয়ামদা রিফরেন্দমগুম্না থন্মী, এমেন্দমেন্ট লাখ অমরোম সোভিয়েট মীয়ামদগী লাকখি। কনষ্টিট্যুসন অদুনা নেসনল রাইট, নেসল লিবরেসন মুভমেন্টগী রাইট, রাইট টু সিসেসনগী রাইট পুম্নমক পী। ইন্দিয়াগী লেফ্ট পার্টিশিংনসু ফেসিষ্ট পার্টিশিংগা চপ মান্নবা পোলিটিকেলগী ফিরেপ লৌদুনা ক্লাস ষ্ট্রগল থাদোক্লগা ৱর্কিং ক্লাসপু লান্না লমজিংবতা নত্তনা নেসনল রাইটস, নেসনল লিবরেসন মুভমেন্টকী মায়োক্তা শরৌ শিন্নৈ। অদুনা ৰেসিয়ানা মখোয়বু ফেসিষ্ট, কোলোনিএলিজম ওইনা লৌদুনা লাক্লি। হিন্দুষ্টানগী ইন্টলেচ্যুএল অয়ান্বা লোয়লম শন্দোকপদা অকনবা মতেং পী। মখোয়গী য়ুনিভর্সিটি, ইনষ্টিট্যুট কয়া লোয়লম চন্নবগী লোয়শঙ ওইরি। অমরোমদা, মীওৎ-মীনৈনা নীংতম্বগী ৰাহস্তোক ওইবা তারবদি ইন্দিয়াগী ৰাহস্তোক অসিগী মফম অমা ৰেসিয়াদা থিবা ৰাগনি। অহোইনদুম, ৰেসিয়ানা পীথরকপা ৰাহস্তোক অদুনা ইন্দিয়াগী শেরান্ননা খনবশিংগীদমক্তা লমজিং মৈরা ওইবনদুম চুমগনি। অমরোমদা, কংলৈ নেসনল মাইন্দবু হিন্দুগী চনাক্য/কৌতিল্যাগী শরৌদা মাঙহনখ্রে। হৌজিক কংলৈচাশিংগী মাইন্দবু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা অঙন্বা ফক্লাংগা পাঞ্জক ওইবা চীংমায় অমা কাখৎপগা চপ মান্ননা ৰারে। ৰাখল অসি হান্না হোংদোকপা তঙাইফদে। নাগালেন্দ অমসুং মিজোরাম পোক্ত্রিঙৈ কুমজা ১৯৪৭ কী মমাঙদা খা নোংপোক এসিয়া লমদমদা লৈরম্বা অরিবা উচল ফজনা হকক্লগা রুল ওফ লো লৈবা কনষ্টিট্যুসন অমা হায়বা তারগদি কুমজা ১১০০ দা নিংথৌ লোইয়ুম্বা হাক্তক্তা শেল্লম্বা কংলৈপাক্কী কনষ্টিট্যুসন অদুনি। মতুংদা কুমজা ১৯৪৯ গী কনষ্টিট্যুসন অসিমক য়াম্না শম্বা, মরিক চুম্বা দোক্যুমেন্ট অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।
মথং মথং ....

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
[illegible]
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION
Cum
REVISION COURSE for
CLASS - X (BOSEM)
Class Commencing on: 2nd November 2020 (2:30 p.m. - 5:30 p.m.)
CLASS - XI & XII Sc. (COHSEM)
* To be conducted with proper S.O.P.
* Seats are limited, 20 students per batch.
* First come, first serve.
For inquiry, Pliz. visit 'SANGAI HOSTEL' kwakeithel Ningthemkol #9862712287
HL-B/6601/14/10-1st Dec.(alt.)